## এডিটোরিয়েল

# টুরিজম চাউখৎহনবা

*মালেমগী মনুংদা লৈরিবা লৈবাক কয়া অসি ঙসি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না য়াম্না নক্লবা মফমশিং ওইরক্লি। মসিগা লোয়ননা চাওখৎলবা লৈবাক্কী মীওইশিংনা মালেমসিদা করম–করম্বা ফজবা মফমশিং অমসুং মীয়াম্না খঙদ্রিবা মফম কয়া অমা থিদুনা মখোয়শিং অদুবু শৌগৎনবা নৎত্রগা মালেমদা শক তাক্তুনা পুন্না শেমগৎমিন্ননবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মদু চহীগী ওইনা অমুক–অমুক নীংশিংহন্নবা ৱার্ল্ড টুরিজম দে হায়না চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদা মপুং ওইনা সেপ্টেম্বর ২৭ তা পাঙথোক্লরি। মণিপুরদসু হায়রিবা নুমিৎ অসি চীফ মিনিষ্টরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। টুরিজম হায়বসিদা মীৎয়েং চঙলিবসি তোঙান–তোঙানবা টুরিজম ইন্দষ্ট্রিশিংদনি। মসি মহৌশাগী খুৎশেম্না ফজদুনা লৈরবা লমদমশিং অদুনা মরম ওইরগা শেমগৎপা ইন্দষ্ট্রি অমা অমসুং মসিনা কোনশিনগদবা অতোপ্পা হিরমশিংনা রোডএন্দ হায়ৱেজ, ট্রান্সপোর্টেসনগী ফেসিলিটিশিং, লৈফম চাফমশিং হায়বদি হোস্পিটেলিটিগী খুদোংচাবশিং অমসুং খ্বাইদগী মপুংওইনা লো এন্দ ওর্দরগী মায়কৈদা তংদু –লৈতাবা মফম অমা ওইবা হায়বসিনি। মসিগী মথক্তা মহৌশাগী ওইবা লমদম নৎত্রগা মফম অদুগী ফজবা কয়া অদু কায়হন্দবগা লোয়ননা লমদমদুদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা মশাগী ফুরুপকী ওইবা মপানাৎ–মপুনাৎ কয়া অদু ঙাক্না লৈবা হায়বসিমসু তঙাইফদবা করেক্টর অমা টুরিষ্ট সেন্তর অদুগী ওইনা লৈহনগদবনি। হায়বদি টুরিষ্ট স্পোট খুদিংমক অসি মশাগী তোঙানবা মশক অমদি নাৎকী শক্তম অমা ঙাক্তুনা লৈবা মফম অদুগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরদা মরুওইনা পন্নরিবা টুরিজমগী ৱাফমসি মহৌশা লাইরেম্বীনা খুদোল ওইনা থম্বীরম্বা স্পোটশিং অদু শেমগৎপা হায়বসিনা অচৌবা পান্দম অমা ওইরি। মসি নত্তবদা অতোপ্পা টুরিজমগী সেক্তরশিং অসিমদি ইকাউ কাউবগুম তৌই।*

*মপুং ওইনা টুরিষ্ট স্পোটশিং অসি শেমগৎলবা ফাওবদা টুরিষ্টশিংনা লাক্তবগী অচৌবা মরমদি লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া অসিনা মরুনি। করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা টুরিষ্টশিংগী পুক্লিং চিংশিনগে হায়বা তারগদি অহানবদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎহনবা হাৎন–শুনবগী অমদি ফারগা শেল তানবগী চৎনবী লৈতবা ষ্টেট অমা ওইহনবা তাই অমসুং মসিগী মখা তারকপদা খ্বাইদগী তঙাইফদ্রিবসি এসেসিবিলিটি হায়বদি টান্সপোর্টেসনগী ফিভম অসি মালেমগী থাক্তামক য়ৌদ্রবসু লৈবাক অসিগী থাক্তা চাং অমদা ফগৎহনবা তাই। তঙাইফদবা হিরমশিং অসিদা হেন্না মীৎয়েং চঙবা অমসুং পুকচেল শেংনা থবক পায়খৎলম্বা তারগদি ঙসি মণিপুর অসি টুরিষ্টশিংগী পম্বুংফম অমা হায়বদু য়াম্না চাউনা ওইদুনা ইন্দষ্ট্রি অসিদগী রিভেন্যু য়াম্না মরাং কাইনা লাকপা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরম্বা য়াবনি। মশাগী ওইনা মহৌশাদগী ফজদুনা লৈরবা মফমশিং অদু য়ৌনবা লম্বী শেম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুনি হায়বসি কাউথোক্লগা টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎপনি হায়দুনা অচৌবা থিকাদার কয়াগী শেন্দানফম ওইহনবা তারগদি মদু টুরিজম দিভলপমেন্টকী তঙাইফদবা থৌশিলনি হায়বা মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। ইন্দষ্ট্রি অসিনা মীওই কয়া অমা ইমপ্লোই তৌগদৌরিবনি হায়বসি খঙবগা লোয়ননা অচুম্বা লম্বী অমদা চপ চাবা শেনফমগী শেমগৎ–শাগৎফম থোকপশিং অদু হান্না থবক্তা ওম্বোক্লম্বনা হেন্না ফগনি খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈঙাকপশিং অফবা থবক তৌবা ফগনি খল্লি

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

*মণিপুরদা শোক ২০১৭ কী অঙনবা মতমদা পাঙথোকপা য়ানা লৈরিবা ১১ শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মরু ওইনা অকনবা লাম্বা তৌনগদৌরিবসি কেন্দ্র শাসন পায়রিবা বি জে পি অমদি ষ্টেট শাসন পায়রিবা কংগ্রেসকনি।*

*মহৌশাদগী হৌনা ইলেক্সন মতমদা মাগী মাগী পার্টিশিংনা মরু ওইনা মশিং য়াম্না কাদুনা শক্তি পায়নবা হোৎনবগী চৎনবী তৌদুনা লাক্লি। হন্দক্কী লাক্লিবা ১১ শুবা ইলেক্সনদা ষ্টেটসিদা করম্বা পার্টিনা মেজোরিতি ওইদুনা সরকার শেম্লগদগে হায়বসিসু ষ্টেটসিগী প্রজা মীয়াম ভোটরশিংনসু নৈনদবদি নত্তে।*

*মণিপুরদা চহী ১৫ মনম লৈবাক তাদনা শক্তি পায়দুনা লাকখিবা কংগ্রেসনা মথংগী চহীদসু মখোয়না শক্তি শোয়দনা পায়খিগনি হায়বসিমদি মখোয়গী মফমদা থাজবা অমগা লোয়ননা লৈরমখিনি।*

*তেল্লবা মতম খরসিগী মনুংদা রাজনিতিগী ওইবা অহোংবা খরা লাক্তুনা মরু ওইনা মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্নসু অনৌবা মথেল কয়াশিং চানিংলকপগী তানজা অসিগী য়েংলগা মথংগী চহীদা কংগ্রেসতগী শক্তি মুল্লগা ষ্টেটসিদা বি জে পি গী সরকার অমা থমদবা য়াদে হায়বসিমদি মখোয়গীসু তৌফম থোকপনি।*

*হৌজিক হৌজিকমক্কী মণিপুরগী লৈবাকসিগী ওইবা মরু ওইবা ইশ্শুশিংদা সরকার পায়বা অমদি পায়দবা করি থৌদাংশিং লৌফম থোকপগে হায়বসিমদি হৌজিক্তগী মণিপুর প্রজা মীয়ামগী মমাংদা য়াম্না ময়েক শেংনা থমহনজনিংই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মতম মতমগী ওইবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌনবা হোৎনবদা লমদমসিগী প্রজা মীয়ামগী থাজবা মাংশিল্লকপা কয়াসিনা করি খোংথাংশিং লৌখৎলগা য়াইফগদগে হায়বা খুদিংমক্না খন্থরগা থবক তৌবা মথৌ তাই।*

*হন্দক্তা ষ্টেট বি জে বি মণিপুর প্রদেশকী ওইনা মরু ওইনা লাওথেধাকখিবা ষ্টেট ইকজিক্যুইটিভ কমিতিগী মেম্বরশিংদা কেন্দ্র অমদা মীওই ২–৩ ফাওবা খল্লিবা কয়াসিনা পুন্না পার্টিগী মীরেপ ওইনা টিকেৎ পীবদি য়ারোইদবনা পার্টি মনুংগী নুংঙাইনদবা কয়াশিং তত্তনা থোকপগী থৌদৌ কয়া অমা মমাংথক্তসু লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা পার্টিশিংনা চাওনা খুদোংচাবা লৌনবগী মচাক ওইহল্লি।*

*ইলেক্সন ময়াদা পার্টিগী টিকেৎ লাওথোকপগী মহুত্তা মতম লৈরিঙৈদা লাওথোকপনা হেন্না মরম চাবা খোংথাং ওইগনি। পুন্নমকশিং অসি খংনা মতম চানা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা কয়া লৈ।*

*হেন্না ৱারৌবা পুকলৌবা পোক্লদ্রিঙৈদা থবক তৌবসিনা নুংশিনবগী চাং ৱাংগনি। লোয়ননা মতম চানা অশোয়বা অরানবশিংসু খংবা ঙমগনি। পুন্নমকশিং খংনা থবক তৌবদা য়াইফবা ওইগনি কাওবীগনু।*

**অদোমগী**
**কোম্হৌজম মনিহার সিংহ**
**সেকমাইজিন খুন্নৌ**

# ওর্গানিক লৌউদা য়াইঙং থাবা

**টি এইচ, রোবিন্দ্র, টি. মেধাবতী দেবী অমসুং এম প্রেমজিৎ সিংহ, কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, ইম্ফাল ইষ্ট**

য়াইঙং (কুরকুমা লোঙা) হায়বা চিঙ্গাক অসি ভারতকীদি অশেংবা অমদি লিরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লবা মরু মরাং ওইবতা নত্তনা চাথোকসু য়াম্না পুথোক্তুনা ভারতকী মপাল্লমদা থাদোক্লি। য়াইঙং অসি হিদাক ওইনা শীজিন্নবতা নত্তনা মচু শংবদসু শীজিন্নে। ধর্ম্মগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদসু য়াইঙংগী মফম চাউনা লৈবতা নত্তনা নুংতিগী ইমুং মনুংদা থোং থাক্লিবা য়েনসাংশিংদা য়াইঙং য়াওদবা য়াদে। য়েনসাংগী মহাও হেনগৎহনবতা নত্তনা মচুসু ফজহল্লি। ভারত অসি য়াইঙং পুথোকপদা মমিং লৈবা লৈবাক ওইবতা নত্তনা পোৎশক অসি মপাল লমদা থাদোকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। পান্বী অসি ভারতকী রাজ্য অয়াম্বদা হায়বদি– অন্ধা প্রদেস, উরিষ্যা, ৱেষ্ট বেঙ্গল , তামিল নাদু, র্কনাটকা, কেরেলা, অমসুং ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা রাজ্যাশিংদা থানৈ। য়াইঙংনা থাবদা পকনবা–চানবা লমদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং মনিল মরাং কাইনা ফংবা নোংজুনা চহীদা মিলিমিটর ১,৫০০ ফাওবা চুবা অইং অশানা সেন্তিগ্রেৎ ২০–৩০° মফম ওইগদবনি। সমুদ্রগী লৈমাইদগী মিটর ২০০ কী মথক্তা অমদি ঙাংলৈনবা হোপ হোপ লাওবা মফমশিংদসু য়াইঙং থাবদা চাথোক হেল্লি।

**কনভর্সন প্লান**

কুরকুমিন হায়বা মচাক য়াওবা অসি অৱাং নোংপোক ভারত্তা ফংই। মরম অদুনা আই সি এ আরনা অৱাং নোপোক্কী লমদমশিংদা থানবা মখল অমগী য়াইঙংসু পুথোক্তুনা থাহনখ্রে। ফ্রোং ফ্রোং লাওবা অমসুং ঈশিং ফজনা চিথবা য়াবা লৌফমদা য়াইঙং থাবগী খ্বাইদগী পক্লবা মফমনি। চহী অমগী পান্বী (এনুয়েল ক্রোপ) ওইবা মরমনা অহোংবা মখলগী মতম (কনভর্সন পেরোদ) চহী ২ দরকার ওই। পান্বী অসিসু অতৈ অতৈ পান্বীশিংগা য়ানশিন্নরগা ওর্গনিক ক্রোপশিং তৌরবদি চথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্মী।

**বফর জোন**

ওর্গনিক মখলগী লৌউবা পথাপ চখবা তারবদি অতোপ্পা মনা মশীং থারিবা লৌফমদগী য়ামদ্রবদা ফুৎ ২৫ দগী ৫০ ফাওবগী অরাপ্পা থমগদবনি। অতোপ্পা মফমদগী পুথোরকপা অমদি থারিবা য়াইঙংশিং অদুদি ওর্গনিক লৌউ পথাপনি হায়না লৌবা য়ারোই।

**ভেরাইটিজ (মখলশিং)**

মেঘা য়াইঙং (মেঘা তর্মেরিক -RCT-1)

লৌফম শেম্বা অমসুং থাবা

য়াইঙং থানবা লৌফম শেম্বদা লৈপাক অদু য়াম্না লুনা খোইদোক্লোইদবনি। ফৈদোম অদু সেন্টিমিটর ১৫ ৱাংবা অদুগা পাকপনা মিটর অমা পাকপা অদুগা অশাংবনা খুদোং চাবগী মতুং ইন্না শেম্বা ওইগদবনি। অদুগা ফৈদোম অমগা ফৈদোম অমগগী মরক্তা লাপ্পবনা সেন্টিমিটর ৫০ ওইগদবনি। ফৈদোমশিং অদু নিংথিজনা মতম খরা নুংশা চাহল্লবদি লায়না তীন্নাদগী ঙাকথোকপা খরমথৈদি ঙমগনি। নুংশা চাহনবদা শীজিন্নবা পোলিথিন মপাক (সিৎ) অদু লোয়রবা তুংদা মফম চানা থমজিনগদবনি। ওর্গনিক মখলগী লৌউবদগী পুথোরকপা য়াইঙংগী মরু অমসুং মরা মউ (রাইজোম) শীজিন্নরবদি তীলনা



লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। অদুম্নদি ওইরগা চাথোক য়াম্না লৈবা মখলগী লমদম অদুগী মরু অদুনা ওর্গনিক ফার্মিংদগী পুথোরকপা মরু শীজিন্নবগী মহুত্তা অহানবা ওইবা শীজিন্নবা য়াই। য়াইঙং থাবগী মতম অসি নোংজুথা লাক্ত্রিঙৈ মার্চ–এপ্রিলদা থারবদি চাথোক ফগনি।

থাবা মতমদা কে জি ২৫ গী নিম কেক্কী পাউদরগা থাফম অদুগী লৈবাক্তা তোৎশিন্নরগা ফৈদোম শেমগদবনি। ফৈদোম অমগা ফৈদোম অমগা লাপ্পবনা সেন্তিমিটর ২–০২৫ ওইহনগদবনি। থাফম কাংখুল অমগা অতোপ্পা কাংখুল অদুগা লাপ্পবসু সেন্তিমিটর ২০–২৫ সু ওইগদবনি। য়াইঙং মরু অদু অথেনবা কাংখুল অমদা থারবা মতুংদা নৎত্রগা অপুম অশানা শেম্বা ত্রাইকোদরমা মহীক য়াওবা হার অদুনা কুপশিন্দুনা থমগনি। কাংখুল অমদা ত্রাইকোদরমা য়াওবা হার অদু গ্রাম ১০ ওইহনগনি। থাগদৌরিবা কাংখুল অদুদা অশং অমানগী মনাশিংনা কুপশিন্দুনা থমদুনা থল্লবদি অইংবা অমদি মনিল থোকখিদৌবা ঈশিংগী শরুক অদুবুসু কন্দুনা লৈপাক লৈহাওসু হেনগৎহনবা ঙমগনি। অসুম তৌরবদি য়াইঙংশিং অদু মতোল থোরকপদা খুদোং চাবা ফংহল্লকপদা নত্তনা নোং কন্না চুবা মতমদা লৈহাও অমদি লৈপাক চেম্থখিবদগী কনবা ঙমগনি। মসিগুম্বা চৎথরকপা থৌশিলবু মলচিং হায়না খঙনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা য়াইঙং লোক্লমদাই মতম ফাওবা লৈবাক্তা ঈশিংগী মনিল চপ চানা থম্বদা নত্তনা অপুম অশাগী হার অদুবুসু হেনগৎহনবা ঙম্মী। অহানবা মলচিং অদি পাংথোকপদা য়াইঙং থারমদাইদা অশঙবা উনা হাপকদৌবা চাং অসি হেক্তর অমদা টোন ১০–১২ ওইগনি। থাখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মলচিং তৌবদা হাপকদবা অশংবা উনা অসি হেক্তর অমদা ৫ ওইগনি। অনীশুবা মলচিং তৌবসি য়াইঙং থাগ্রবা মতুং নুমিৎ ৫০ নিগী মতুংদা তৌগদবনি। ঈশিংনা লাংথোকহল্লবা শম্ফি মহি অদু কাংকুল খুদিংদা মলচিং তৌবা খুদিংগী মতাংদা হৈজিল্লবদি অকুপ্পা জীব মাইক্রোব অমসুং লৈহাও হেনগৎহল্লি। হাবেংবগী থৌরাং অদুদি হৌরিবা কান্নদবা নাপী শিংবিগী য়াম্না হৌবা হৌদবগী মতুং ইল্লি। হাবেংবদগী থোরকপা নাপী শীংবীশিং অদু মলচিং তৌবদসু শীজিন্নবা য়াগনি। ফৈদোমগী মরক্তা ঈশিং তুংহন্দনবা হোৎনগদবনি।

**ন্যুত্রিয়েন্ট মেনেজমেন্ট (মচি ওইবা পোৎশক্কী থৌশিল)**

অপুম অশাগী হার হাপ্পগী চাং অসি অকংবা হার ওইবতা নত্তনা হেক্তর অমদা টোন ৫–৬ কী চাংদা হাপগদবনি। হায়রিবা হার অসিনা কাংকুল অদুদা অহানবা মরোল ওইনা হাপ্লগা য়াইঙং মরু অদু থাজিনবা য়ারে। মসিগী মথক্তা নিমগী কেক অদু হেক্তর অমদা টোন ২ গী চাংদা হাপ্লবসু কানবা ফংগনি। মখোং শোমবা অমসুং হাবেংবা অসি নুমিৎ ৬০.১২০ অমসুং ১৫০ কান্না পাঙথোক্কদবনি।

**প্লন্ট প্রোটেকসন (পান্বী কনবা)**

কোলেকত্রোত্রাইকম অমদি তেফোরিনা মেকুৎলান হায়বা মনাগী লায়না ঙাকথোক্লবগীদমক্তা বোরদেক্স মিকসচরগী তিলহিদাক অসি চাদা ১ গী চাংদা হাপ্লবদি অতৈ অতৈ মরু ওইবা লায়নশিং লাক্কনি হায়বগী চিংননিঙাই লৈররোই। ত্রাইকোদরবা হায়বা পোৎশক অসি থারকদাইদা কাংখুলদা হাপচিল্লবদি মরুগী লায়না রাইজোম রোট (ফাইথিয়ম গ্রামিলিকলম ) অসিদগীসু কনবা ঙমগনি।

মরক মরক্তা থাখ্রবা লৌফম অদু য়েংশিন্দুনা মহীক মতাই চংদনবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তাই, অসুম তৌরবদি তীল কাঙগী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। করিগুম্বদা পান্বী মউদা অহোবা মখুল উবা ফংলবদি মউ অদু ফাক্তোক্লগা তীন মরুম লৈবা উরগদি তীল মরুমশিং অদু মেৎখাইরগা হাত্তোক্কদবনি। দরকার লৈবা মতমদা নিম থাউ চামদা ০.৫ গী চাংদাং নুমিৎ ১৫ নি কান্ন– কান্ননা চাইগদবনি। মতৌ অসুম তৌদুনা চখরবদি য়াইঙংগী পোত্থোক হেনগৎহনবতা নত্তনা অফবা মখলগী তীননা লায়না চেন্দবা য়াইঙং মরু ওইগনি।

**লোকপা অমসুং লোক্লবা মতুংগী চেকশিন থৌরাং**

য়াইঙং লোকপসি মতিক চানা মপুং ফারবা মতমদতা লোক্কদৌবনি। পান্বী মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না থা ৭–৯ ফাওবগী মনুংদা য়াইঙং লোকপা, তাম্থোকপা য়ারগনি। হায়রিবা মতম অসি জানুৱারী থাদগীনা মার্চ থাগী মনুংদা লোক্কদবনি। অঙনবা মখলগী য়াইঙংদি থা ৭–৮ দা মপুং ফারে অদুগা অথেংবা থারাগদি থা ৯ গী মনুংদা তাম্থোক্কদবনি।

য়াইঙং পাক চাউনা থাবা মফমদদি কাংখুল পরেং অদুগী নাক য়েত্তা শম্বোৎ খোইদোক্লগা য়াইঙং হৌফম অদু য়োৎপাক্লা তৌথোক্লগা অশোক অপন য়াওদনা তাম্থোক্কদবনি। য়াইঙং মরুদা য়াওরিবা ফত্ত হৌদি অমসুং লৈপাক্লচিংবদু ফজনা লৌথোক্কদবনি। নিয়ম চুম্না থাখ্রবা য়াইঙংশিং অদুদি হেক্তর অমদা ক্যুনটন ২১৪ ফাওবগী চাথোক পুথোকপা ঙমগনি। য়াইঙং মকুপ ওইহনবদা নিংথিনা চামথোক্লবদি চামদা ১২–২৫ ফাওবগী চাংদা অশেংবা মখলগী য়াইঙং মকুপ ফংগনি।

য়াইঙং মরুদগী লৌথোক্লবা মনাওশিং অদু অয়াম্বা মতমদা মথংগী থানবা খাকনৈ। য়াইঙং অকংবা ওইনা থমগে হায়রবদি তগৎ তগৎ তেকপা য়াইঙং মরুশিং অদু ঈশিংদা মতম খরা শৌহল্লগা অমোৎ অকাই ফাত্তা হৌদিনচিংবা লৌথোকখ্রবা মতুংদা নুংশাদা কংহনগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌরমশিং অসি পাংথোকপদা রসায়নগী হিদাক শীজিন্নরোইদৌবনি। তরু তরুবা মহীক মতাং চেন্দবা অশেংবা ঈশিংতম য়াইঙং ফুৎপা মতমদা শীজিন্নগনি। নিংথিনা অমোৎ অকাই য়াওদনা চামথোক্লবা য়াইঙং মরুশিং অদু কোরি নৎত্রগা লৈবাক্কী পাত্র নৎত্রগা গেলভেনাইজ তৌরবা য়োৎকী পাত্রদা হাপ্লগা য়াই ঙং মরুশিং অদু চোৎনবা চাংদা ঈশিং হাপ্লগা মতম খরা ফৌহনগনি। অসুম্না ফুৎপা মতম অদুদা য়াইঙং, মহী থোরক্তুনা য়াইঙংগী মশক অমসুং মচু লাক্লবা মতমদা ঈশিং শৌহনবদু তোকথোক্কদবনি। কা হেন্না ফুৎলবদি য়াইঙংগী মগুণ অমদি মহাও মাংখিগনি অদুনা চেকশিন্দবা য়াদে।

# জননেতা ইরাবতকী লমজিংদা মণিপুরী নুপীশিং য়াকাইহল্লম্বা– ১

**থাংজম বেদমনি**

ঙসিদগী চহী কুনগী মমাং, সেপ্টেম্বর তাং ১২, ১৯৯৬ তনি ভারতকী পার্লিয়ামেন্টতা মতমদুগী দেবী গৌরানা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা ৱুমেন্স রিজার্ভেশন বীল (কনষ্টিট্যুশনগী ১০৮ শুবা এমেন্দমেন্ট বীল) পুথোক্তুনা সেন্টর, ষ্টেট অমদি লোকেল লেভেলগী গভর্নিং বোদিশিংদা নুপীশিংগীদমক অপুনবা সিটকী চাদা ৩৩ রিজার্ভ তৌনবগী মতাংদা খন্নবা হৌখিবা। অৱাবদি বীলদু থেংখাং কয়াদা পাস তৌবা ঙমদনা লাকখি। মার্চকী তাং ৯, ২০১০ দা পার্লিয়ামেন্টকী অপর হাউস রাজ্য সভাদা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ (ইন্টরনেস্নেল ৱুমেন্স দে) গা মরী লৈননা ভারতকী নুপীশিংদা পীবা অখন্নবা খুদোল ওইনা বীলসি পাস তৌখি লোয়ননা ৱাখল্লোন খেন্নখ্রবা পার্টি অহুম হায়বদি কঙ্গ্রেস, কম্যুনিষ্ট অমসুং বি. জে. পি. গী মশক নাইবী লূচিংবী অহুম – কঙ্গ্রেস (আই) গী প্রসিডেন্ট সোনিয়া গান্ধী, বি জে পি গী সুস্মা স্বারাজ অমসুং সি পি আই (এম) গী বৃন্দা কারটনা মখুৎ শম্নদুনা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নখিবা।

লোক সভাদা ৱুমেন্স রিজার্ভেসন বীল পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা তুংদা সি পি আই গী এম পী লৈখিদ্রবা কম. গীতা মখুর্জিনা চিয়ারমেন ওইবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরী কম্মিটিদা থাদরকখি অমসুং কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু লোক সভাদা দিসেম্বর ৯, ১৯৯৬ তা পুথোকখি।

মখা তারকপদা অটল বিহারি ভাজপাইনা লূচিংবা এন. দি. এ. গভর্মেন্টেকী লো মিনিষ্টর তম্বীদুরাইনা জুলাই ১৩, ১৯৯৮ দা ৱুমেন্স রিজার্মেসন বীল অমুক হন্না পুথোকপদা মায় পাকখিদে। মখা তারকপদা শোক ১৯৯৯, ২০০২, অদুগা ২০০৩ দা পার্লিয়ামেন্টতা (লোক সভা) পুথোকখি, চয়েৎনদুনা অদুম তোকখি। শোক ২০০৪ দা য়ু. পি . এ. গভর্নমেন্টনা ৱুমেন্স রিজার্ভেসন বীল অসি কমন মিনিমম প্রোগ্রামগী মনুং চলহনখি লোয়ননা বীলসি পাস তৌহনবদা লিদিং রোল লৌবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। অদুবু তোঙান তোঙানবা দলশিং এস. পি., আর. জে. ডি, জে. ডি. (য়ু), তি. এম. সি. নচিংবদগী কন্দিসন কয়া থমজিল্লকপনা ঙসি ফাওবদা লোক সভাদা পাস তৌদনা লৈরি। মরম অসিদগী মীয়াম্না মরুওইনা লৈবাকসিগী নুপীশিংনা মখা তাবা অপুনবা খোঙজং চঙশিনবগী য়াম্না তঙাইফদবা তাঞ্জাদু লাক্লে নৎত্রবদি লোকেল বোডি নত্তনা এসেমব্লি অমসুং পার্লিমেন্টতদি নুপী মীহুৎকী চাং য়াম্না নেমদুনা দিসিজন মেকিং বোডি শিংদা মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙমলোইদৌরি।

কাঙলূপ নাইবা (ক্লাস) খুন্নাইদা মীনা মীবু ওৎপগী (ক্লাস এক্সপ্লোইটিশন) তৎন থানবা য়াদ্রবা লিচৎ অমা ওইনা নুপীবু হন্থনা থম্বীবা, নুপীবু ওৎপী নৈবীবা হায়বসি ইতিহাসকী লিকলমদা অদুম চৎনদুনা লাকই। মালেমদা হৌখ্রিবা ইহৌশিংগী মনুংদা নুপীশিংগী হক তানবা, নুপীবু মান্নবা থাক্তা থম্বীবা, নুপীশিংগী শক্তি হেঙ্গৎহন্নবা দাবী কয়াগী ইহৌনা ইরোয়ননা চখরকখি। নুপী কাঙলূপ্পু নমথদুনা থম্বীবা হায়বসিনা খুন্নাই অমগী চাওখৎ লমজেলদা খোঙজেল তপথহল্লি হায়বসি খঙনরকপদগী নুপীশিংবু মান্নবা থাক্তা থম্বীনবা, মখোয়গী হক ফংহনবীনবা লৈবাক্কী আইন কয়া শেমদোরকখি। লোয়ননা নুপীগী দাবী অমসুং ইহৌসু লেপ্পা লৈতনা ঙসিসু চৎনরি। শক ১৯১০ দা 'ইন্টরনেস্নেল সোসিয়েলিষ্ট ৱুমেনগী অনীরকশুবা মালেমগী থাক্তা ফম্বা মীফম (কোপেনহেগেন, দেনমার্ক) দা জর্মনগী সোসিয়েলিষ্ট ফেমিনিষ্ট ক্লারা জেৎকিন্না চহী খুদিংগী মার্চ ৮, শোক ১৮৫৭, মার্চ ৮ দা নিউয়োর্ক্কী গভর্নমেন্ট ফেক্টরিশিংদা শিন্মী নুপীশিংনা হৌখিবা ইহৌবু (ৱাহম্থোক্কী ৱুমেন্স রাইটকীদমক্তা) নিংশিংদুনা ইন্তরনেস্নেল ৱুমেন্স দে' পাঙথোক্তুনা নুপীশিংগী অপুনবগী শক্তি শাগৎনবগী ৱাফম থমখি। শক ১৯১৭ তা রসিয়াদা 'দ গ্রেট ওক্টোবর রিভোলূসন' মায় পাকখি, মাক্সিম গোর্কিগী শোক ১৯০৫ দা ফেঙখিবা 'ইমা' কৌবা নোভেলদা রিভোলূসন মাইপাকহনবদা নুপীনা অচৌবা থৌদাং য়াখিবগী মশক তাকলি অমদি ওক্টোবর রিভোলূসন মায় পাকহনবদা নোভেলসিনা অচৌবা ইথিল পীখি। ভারত নিংতম অন্দোলনদা ভারত নুপীশিংগী শক্তি ফুদোকখি।

শোক ১৯০৪ দা মণিপুরদা অহানবা নুপীলাল অমসুং শোক ১৯৩৯ দনা অনীশুবা নুপীলাল থোকখি। মণিপুর নুপীশিংগী থৌনাফবা অমসুং লিংজেল অদু বৃটিশ সম্রাজ্য নুমিৎ তাদে হায়নরিবা লোইলম লৈঙাক্তা মায়োক্লখিবা মণিপুরগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈহৌরি। জননেতা হিজম ইরাবত (১৮৯৬–১৯৫১) না মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মণিপুরী নুপীশিংগী অপুনবা শক্তম অমদি থৌনাবু রাজনীতিগী মায়ওন পীদুনা মতমদুগী মণিপুরী সমাজদা লৈরম্বা অমাং–অশেংনচিংবা ধর্ম্মগী মিংদা লৈরম্বা অওৎ–অনৈ অমদি প্রজানা পুবা ৱারবা চুমদবা আইনশিং মুৎথৎনবা হোৎনবদা অচৌবা শক্তি ওইনা পুথোরকখি। মতম অদুগী সমাজদা অমাং অশেংগী মরমদা য়াম্না পুক্লিং থিংজিন্নরম্বদা ক্ষেত্রানি নৎত্রগা মৈতৈ নুপীনা বামোন্দা ওংলুবা অসি নুপী অদু ওম্থোক্লা অৱাবা ফীভমদা লৈরম্মী। খ্বাইদগী খুদোংথিবদি নুপী অদুনা বামোন নুপা অদুগা খায়নরকপা মতমদা বামোন ওংলুরবনি হায়দুনা মপামদা লৈবা মীশিংগা চামিন থকমিন্নরমদে। বামোন্দা লৈরিঙৈদসু মৈতৈনি হায়দুনা মখুৎ চারমদে।

**মথঙ–মথঙ...**